## অনীশুবা ইন্টরনেসনল যোগ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

# যোগবু পূন্সিগী শরুক অমা ওইহনগদবনি : মোদি



ন্যু দিল্লি, জুন ২১ (এজেন্সী) :
যোগ হায়বসি লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনদে। মসিদি মীওইবগী পূক্লিং ৱাখল অমসুং হকচাং ফনা থম্নবগী মরুওইবা পাম্বে অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

চান্দিগরদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল যোগ দেগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, লাই থাজবা অমসুং থাজদবা কাঙলূপ অনীমক্না হকচাং শাজেল তৌই। মরম অদুনা মীওই কাঙলূপ খূদিংমক্না যোগ শান্নবদা অকায়বা লৈতে।

অনৌবা মতমগী মীরোলনা মোবাইল ফোনবু তৎন-থানবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইনা লৌবগুম যোগসু পূন্সিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইহনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মমাঙ চহীদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা জুন ২১বু ইন্টরনেসনল দে ওফ যোগ হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী মফম শীনবা থুংনা থৌরম অসি পাঙথোক্লি। শরুক য়াখিবা মীওই লীশিং কয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, যোগগী মতেংনা মীপুম খূদিংমক মশা-মঊ ফনা লৈহনবা ঙম্বগা লোয়ননা অফবা ৱাখল খনবা ঙমহল্লি।

ন্যু দিল্লিদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীওই লীশিং ৩০ রোমগা লোয়ননা যোগগী আশন কয়া তৌখি।

থৌরম অদুদা চান্দিগর, পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাদগী মীওই লীশিং ৩০ হেনবনা শরুক য়াখি। যোগগী কান্নবা মতিক মগুণ শীংথারদুনা মহাক্না হায়খি, ঙসিগী মীরোলদা দাইবেটিসনা নারবা মীওই কয়া লৈরে। অদুবু মীপুম খূদিংমক্না চাংনাইনা যোগগী আশনশিং পূক্লিং চঙনা তৌরবদি তমথিরবা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমই হায়বা অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াদা দাইবেটিস নাবা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, যোগগী মতেংনা দাইবেটিস খক্তা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়াসু ঙাকথোকপা ঙমই।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সুরিয়া নমস্কারগী কমেমোরেটিব পোষ্টেল ষ্টাম্প অমা প্রাইম মিনিষ্টরনা রিলিজ তৌখি। মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্টনসু যোগ ওলিম্পিয়দ শীনখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২১দগী লাকপা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

ইন্টরনেসনল যোগ দেগী থৌরম অসি মালেমগী লৈবাক ১৭৩দা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসীশিংদসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মুখতার অবাস নকবিনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা হায়খ্রে মদুদি, চহী লীশিং কয়া শুরবা যোগনা ঙসিদি মালেমগী মীওই কয়াদা কান্নবা ফংহল্লে। ইন্দিয়াদগী হৌদোকখিবা যোগনা মালেমগী মফম শীনবা থুংনা য়ৌখিবগা লোয়ননা মালেমগী থাক্তা থৌরম অমা পাঙথোকপা হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি।

মহাক্না হায়খি, চাউখৎলবা মতম অসিদা মীওই অয়াম্বা মথৌ চিনবনা মরম ওইরদুনা পূক্লিং ৱাখল লৈতানা হিংবা ঙম্নদ্রে। অদুবু যোগগী মতেংনা হকচাং ফহনবগা লোয়ননা ৱাখলগী চরাংনবা পূম্নমক কোকহনবা ঙল্লে।

যোগবু হকচাং শাজেল মখল অমা ওইনা লৌবগী মহুত্তা হেল্থ সাইন্স ওইনা লৌফম থোকই। নহা-অহল খাক্তনা মীওই খূদিংমক্না শান্নবা য়াবা যোগবু অখন্নবা লাইনিং লম্বী নৎত্রগা মীওই ফুরুপ অমগা মরী লৈনহনফম থোক্তে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা, স্পিরিচুএল লিদর শধগুরু জাগ্গি বাসুদেবনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়াদগী হৌদোকখিবা যোগ অসি ঙসিদি মালেম অপুন্বগী ওইখ্রে। ইন্দিয়াদগী হৌদোকখি হায়দুনা যোগবু ইন্দিয়াগীনি হায়না লৌবা লানগনি।

য়ুরোপনা গ্রেভিটিগী মতাংদা পুথোকখি হায়না গ্রেভিটিবু য়ুরোপ খক্তগী ওইনা লৌনদে। মতৌ অসুম্না যোগসু মালেম অপুন্বগী ওইনা লৌফম থোকই।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মীফম অমদা পুখৎখিবদগী অয়াবা পীবিদুনা জুন ২১বু ইন্টরনেসনল যোগ দে হায়না লাউথোকখিবনি। অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু মালেমগী মীপুম খূদিংমক্না খৌরাংনা ঙাইনরম্বগী মওংনি।

যোগগী কান্নবশিং ফোঙদোক্লদুনা ইশা ফাউন্দেসন হৌদোকখিবা শধগুরুনা হায়খি, নোংমগী মনুংদা মীপুম খূদিংমক্না অকক্নবা মতম খরা কায়থোক্লগা যোগগী আশনশিং তৌবা মথৌ তাই।

য়ু এনগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক ইনফোর্মেসন্নসু য়ু এন হেদক্বার্টরস মমাঙদা লৈবা য়ু এন সেক্রেটরিয়েট সার্কলদা অনীশুবা ইন্টরনেসনল যোগ দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জেনরেল এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট মোর্জেন লিকিতোফটনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। ওল্লকপা চহীশিংদসু য়ু এননা শীন্দুনা মালেমগী থাক্তা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরি।

# য়ু পিগী মীখলদা জে দি (য়ু)না পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নরোইদৌরি

পত্না, জুন ২১ (এজেন্সী) :
মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা জনতা দল (য়ুনাইটেদ)না পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নরোইদৌরি।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা পার্টিগী প্রসিদেন্ট নিতিশ কুমারনা হন্দক্তা ঘাজিপুর, বরানসি অমসুং মির্জাপুরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা মীওই মশীং য়াম্না তিনখিবদগী পূক্লিং থৌগৎলবা পার্টি অসিনা মীখলদা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নদনবা ফিরেপ লৌখিবনি।



পার্টিগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা নিতিশ কুমারনা হায়খি, জে দি (য়ু)না মীখল মমাঙ নৎত্রগা মতুংদা অতোপ্পা পার্টিগা খুৎশম্নবগী মতাংদা ৱারী শানদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহল্লরোই। মদুগী মহুত্তা পার্টি অসিনা নাইতোম মীখল থেংনদুনা সিট মশীং য়াম্না ফংনবা হোৎনরগনি। পার্টিগী থৌমীশিংনা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী খূদিংমক্তা চত্তুনা অনৌবা মেম্বর কয়া য়াওহনবগা লোয়ননা মীখলদা পার্টিবু শোয়দনা মায় পাকহন্নবা হোৎনগদবনি।

জে দি (য়ু)গী সিনিয়র লিদর অমনা হায়খি, বিহারদা হৌজিক অনৌবা মেম্বর য়াওহনবগী থৌরাং অসি হেক লোইবগা পার্টিগী সিনিয়র লিদরশিংনা উত্তর প্রদেশতা চত্তুনা ষ্টেট অদুগী মীখলদা পার্টিবু মায় পাকহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

অজিৎ সিংহনা লূচিংবা রাষ্ট্রিয়া লোক দল (আর এল দি)গা পুন্না চৎমিন্ননবগী মতাংদা ৱারী শানবদা মায় পাকখিদবগী মতাংদা নিতিশ কুমারনা হায়খি, অজিৎ সিংহনা হায়জরকপদগী পার্টি অনী চৎমিন্নবগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি। অদুবু হীরম কয়াদা য়ানদবা মরম্না মখা তানা ৱারী শানবগী ফীভম লৈত্রে।

মদুগী মমাঙদা জনতা পরিবারগী পার্টি তরুক পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। লালু প্রসাদ য়াদব য়াওনা পার্টি তরুক্কী লূচিংবশিংনা সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট মুলায়ম সিংহ য়াদবপু অনৌবা লূচিংবা ওইহন্নবা অমত্তা ওইনা য়ানখি। অদুবু অরোইবা পুংফমদা মুলায়ম সিংহনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লম্বা তৌদনা জনতা পরিবারদগী খোঙ থাংদোকখি।

য়ু পিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা জে দি (য়ু)গী মীফমদা মীওই মশীং য়াম্না তিনবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীফম অদুদা মশীং য়াল্লবা মীওই কয়া তিনখিবা উবদা বি জে পিনা নুংনাংবা পোকখি। জুন ২৯দগী হৌনা নোইদাদা চত্থগদৌরিবা য়ু থিংবগী খোঙজংদসু মীওই কয়া শরুক য়াগদবা লৈবনা বি জে পি অমদি অতৈ অতোপ্পা পার্টি কয়া নুংনাংবা পোক্কে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, জে দি (য়ু)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এন্তি-লিকর কেম্পেইন অমদি অতৈ থৌরমশিংদা আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)নচিংবা অতোপ্পা পার্টিগী মীওই কয়া শরুক য়াখি। জে দি (য়ু)দা অতোপ্পা পার্টিগী মীওই কয়া চঙলক্লবা থৌরাং তৌবগা লোয়ননা ভোটর অয়াম্বনসু মপুং ফানা শৌগৎলকপা মরম্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা জে দি (য়ু)না শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পান্দম অসি ফংনবগীদমক জে দি (য়ু) দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটকী লূচিংবশিংনা জুন ৩০ ফাওবগী মমাঙদা অনৌবা মেম্বর লাখ ৫০ পার্টিদা য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# বিহার টৌপ্পর স্কেম : লালকিশ্বর অমসুং মহাক্কী লোয়নবী উশা সিনহা নুমিৎ ১৪ জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

পত্না, জুন ২১ (এজেন্সী) :
বিহারগী ইন্টরমিদিয়েট টৌপ্পরস স্কেমগী মতাংদা পত্নাগী সিবিল কোর্ট অমনা বিহার স্কুল ইগজামিনেসন বোর্দ (বি এস ঈ দি)কী চ্যেরমেন ওইরম্বা লালকিশ্বর প্রসাদ সিংহ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী উশা সিনহাবু নুমিৎ ১৪নিগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে।

মমাঙদা লালকিশ্বর প্রসাদ অমদি মহাক্কী লোয়নবীনা ইন্টরিম বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রবনি। ৱাথোক অসিদা মপুং ওইনা চেন্নবা লালকিশ্বর প্রসাদ ফানবা পত্নাগী সিবিল কোর্ট অমনা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রবা মতুংদা মীওই অসি লোৎলুরবনি। অদুবু স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না ঙরাং মতৈ-মনাও ফাখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, মার্ক শেমদোকপগী ৱাথোক অসি খঙনরকপদগী মতৈ-মনাওনা বিহার থাদোক্তুনা বরানাসিদা মতম খরা লোৎখি।

বি এস ঈ দিনা জুন ৪দা টৌপ্পর অনীগী রিজল্ট কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা হায়খি মদুদি, ৱাথোক অসিদা চেন্নবা মীওই খূদিংমক লেম্না থারোই।

জুন ৩দা বোর্দনা ইন্টরমিদিয়েট (সাইন্স) ইগজামিনেসনগী টৌপ্পর সৌরব শ্রেস্থা অমদি আর্টস ষ্ট্রিমগী টৌপ্পর রুবি রাইবু অমুক হন্না ইগজাম থানবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। অদুবু মহৈরোয় অনীমক ইগজাম থাবা লাকখিদে।

পনবা য়াবদি, ক্লাস টুৱেল্বকী ইগজামিনেসন্দা মার্ক শেমদোক্লম্বগা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অসি মতম শাংনা কদাইদা লৈরিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদনা লৈরকখিবনি। বিহারগী মপান্দা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমগী মীওই কয়া থাদুনা মরাল লৈরবা মীওই অসি ফানবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

পুলিসনা লালকিশ্বর প্রসাদ সিংহগী প্রাইভেট সেক্রেটরি য়াওনা মীওই অনী মমাঙদা ফাখি। মমাঙ চয়োলদা ফম থাদোকখ্রবা লালকিশ্বর প্রসাদ সিংহগী মথক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌনবা এস আই টিনা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

ৱাথোক অসিদা মপুং ওইনা চেন্নে হায়রিবা লালকিশ্বরগী লোয়নবী উশা সিনহাসু মতম শাংনা লোৎতুনা লৈরুরে। জনতা দল (য়ুনাইটেদ)গী লেজিসলেটর ওইরম্বী নুপী অসিসু মার্ক শেমদোকপগী ৱাথোক্তা মপুং ওইনা চেন্নরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

ক্লাস টুৱেল্বকী ইগজামিনেসনগা মরী লৈননা মেরিট লিষ্ট শেম্বদা অরানবা থৌওং চৎথে হায়রিবা অমিত কুমার এলিয়স বচা রাই কৌবা মীওই অমদি হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা সরেন্দর তৌরকপদগী পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লি।

এস আই টিনা সিংহ অমদি রাইবু মার্ক শেমদোক শেমজিন তৌখিবগী মতাংদা ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। ৱাথোক অসিদা চেন্নবা মীওই মঙা পত্নাগী লোকল কোর্ট অমনা মমাঙ চয়োলদা নুমিৎ ১৪নিগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ পীবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, বিহার স্কুল ইগজামিনেসন বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরম্বা লালকিশ্বর প্রসাদ সিংহগী লোয়নবী উশা সিনহানা পায়রিবা দিগ্রীগী সার্টিফিকেট অদু অশাবনি হায়বা খঙনরক্লে।

কুমজা ২০১০দা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিটতা মশাগী চহী ৪৯ শুরবী উশা সিনহানা বিহার এসেমব্লিগী ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইখিবা মতমদা কুমজা ১৯৭৬তা অৱাধ য়ুনিভর্সিটিদগী মাষ্টর দিগ্রী পাস তৌরে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু অৱাধ য়ুনিভর্সিটিদি কুমজা ১৯৭৫দা লিংখৎখিবনি। মদুগী মথক্তা উশা সিনহানা চহী ২ তমগদবা এম এবু চহী ১দা লোইশিনখিবগী খুদম ফংখি।

# পথানকোটতা অমুক্কসু এটেক চত্থরকপা য়াই : ভত্তচারিয়া



জম্মু, জুন ২১ (এজেন্সী) :
পথানকোট এয়র বেজ মনাক্তা লৈবা খুঙ্গংশিংদা টেররিষ্ট কয়া লোৎতনা লৈবগী পাউ ফংবা মরম্না এয়র বেজ অসিদা অমুক হন্না এটেক চত্থরকপা য়াই হায়না পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি (পি এস সী) ওন হোম এফ্যেরসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিটিগী চ্যেরমেন পি ভত্তচারিয়ানা পাউমীশিংদা হায়খি, লালহৌবা কয়া এয়র বেজ মনাক্কী খুঙ্গংশিংদা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

ইন্টরনেসনল বোর্দরদা সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংশিন্নবগীদমক জম্মুদা লাকখিবা কম্মিটি অসিনা মমাঙদা পথানকোট এয়র বেজদা চত্তুনা মফম অদুগী ফীভম য়েংশিনখ্রবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ভত্তচারিয়ানা হায়খি, পথানকোটতগী হল্লক্লবা মতুংদা টেররিষ্টশিংনা এয়র বেজ অদুদা অমুক হন্না এটেক চত্থরকপা য়াবগী ৱাফম মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে।

পাকিষ্টানগী ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা পথানকোট এয়র বেজদা চঙহনখিবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, জন্যুৱারী ২দা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা পাকিষ্টানি ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা পথানকোটতা চঙহনখিবা থৌওং অদু কম্মিটিনা য়ানিংদে। অদুবু গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা ফোরেন পোলিসিদা কম্মিটিনা খুৎ থিংজিনবা য়াদবা মরম্না ইনভেষ্টিগেটরশিং চঙহন্দনবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, মীওই মঙানা শাবা পাকিষ্টানগী জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন টিম (জে আই টি) অমা মার্চ ২৭তগী ৩১ ফাওবা পথানকোটতা লাক্তুনা টেররিষ্ট এটেক্কা মরী লৈনবা খুদম চাংদম কয়া য়েংশিনখ্রবনি।

ভত্তচারিয়ানা হায়খি, পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন হোম এফ্যেরসনা ইন্দো-বাংলা বোর্দর অমসুং ইন্দিয়া-পাকিষ্টান বোর্দর য়েংশিল্লবা মতুংদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা পীশিল্লগনি।

পাকিষ্টাননা ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা কক্রিট বঙ্কর কয়া শাজিল্লকপগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ভত্তচারিয়ানা হায়খি, ৱাফম অসি ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা ৱারী শাদুনা লৈখায় তাহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। হীরম অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌফম থোকই।

জম্মু অমদি লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা লৈবা ইন্টরনেসনল বোর্দর ঙাক শেল্লিবা বি এস এফকী জৱানশিংদা মতমগা চুনরবা খুৎলাই পায়হনবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, কম্মিটিনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফ্যেরসতা রিকমেন্দেসন অমা পীশিন্দুনা ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংগী অৱাবা পূম্নমক কোকহন্নবা হোৎনরগনি।

# ইসরোনা সেটেলাইট ২০ থাগৎনবা শেম-শারে



চেন্নাই, জুন ২১ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়াগী আর্থ ওবজার্ভেসন কার্টোসেট-টু সিরিজ সেটেলাইট য়াওনা সেটেলাইট ২০ থাগৎনবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না ইন্দিয়ন স্পেস রিসার্ছ ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না ফোঙদোকখ্রে।

পি এস এল ভী সী-৩৪দা সেটেলাইট ২০ থাগৎনবা শ্রীহরি কোটাদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.২৬তগী পুং ৪৮গী ওইবা কাউন্টদাউন হৌখিবনি।

হন্দক থাগৎকদৌরিবা কার্টোসেট-টু সিরিজ অসি মমাঙদা থাগৎখিবা কার্টোসেট-টু, টু এ অমসুং টু বিগা মান্নে হায়না ইসরোগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অদুনা হায়খি, থাগৎকদৌরিবা সেটেলাইট ২০গী অপুনবা অরুম্বা কিলোগ্রাম ১,২৮৮নি। পোলর সেটেলাইট লোঞ্চ ভেহিকল (পি এস এল ভী-সী ৩৪)না জুন ২২গী অয়ুক পুং ৯.২৬ তাবদা শ্রীহরি কোটাগী ছতিস ধৱন স্পেস সেন্টরদগী সেটেলাইট ২০ পুরগা পাইখৎখিগনি।

পি এস এল ভী-সী ৩৪না কিলোগ্রাম ৫৬০ লুম্বা কো-পেসেঞ্জর সেটেলাইট ১৯ পোলর সন সিঙ্কক্রোনস ওর্বিট (এস এস ও)দা কিলোমিটর ৫০৫ ৱাংনা থাগৎনবা থৌরাং তৌরি।

নুমিৎ অদুদা থাগৎকদৌরিবা কো-পেসেঞ্জর সেটেলাইটশিংগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, কেনাদা, জর্মনি, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইন্দিয়াদগী য়াওরি। কুমজা ২০০৮দা স্পেস এজেন্সী অসিনা মতম অমত্তদা সেটেলাইট ২০ ওর্বিটতা থাগৎপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন স্পেস রিসার্ছ ওর্গনাইজেসননা কেনাদিয়ন স্পেস এজেন্সী (সী এস এ)গা আউটর স্পেসতা থবক থৌরম কয়া লৌখৎমিন্ননবগী মতাংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা সাইন তৌনখ্রে।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, এম ও য়ু অদুগী অকুপ্পা ৱারোল পূম্নমক য়ুনিয়ন কেবীনেটতা ময়েক শেংনা খঙহনখিবগা লোয়ননা আউটর স্পেসকী মতাংদা লৈবাক অনীনা পায়খৎমিন্নগদৌরিবা থৌরাংশিং মমুৎ তানা খঙহনখ্রে।

CAS Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
CONGRATULATION to All CASIAN Toppers for HSLC & HSSLC Exam, 2016
Bidyarani L. 85.5% HSLCE, Md. Iliyas Ali 82.6% HSLCE, W. Ajitkumar 78% HSLCE, Elizabeth M. 76% HSLCE, W. Arunkumar 70.5% HSLCE, Th. Johnson 74.6% HSE, Deepak K. 73.4% HSE, S. Lijen 73% HSE, I. Leonardo 72.4% HSE, B. Laxmi 72.2% HSE
L. Arunkumar 81.2% HSE, L. Rohit 79.8% HSE, N. Dinesh 75.8% HSE, L. Bikash 75.6% HSE, N. Bikey 75% HSE, I. Ranga 72% HSE, Jeeson E 71.8% HSE, K. Kishan 71.6% HSE, S. Barita 70.6% HSE, S. Telheiba 70.2% HSE
ADMISSION OPEN (New Batches)
CLASS - XII, CLASS - XI & CLASS - X
New Batches Class Commencing from 13th June, 2016
Morning Batch (4.45–7.45) A.M.
Evening Batch (4.30–7.30) P.M.
Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.
HL-B/3121/2 Jun to2 Aug (Alt)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X Starts 16th June 2016
Class XI & XII (COHSEM & CBSE) Starts 23rd June 2016 Limited Seat
TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S; 2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S; 3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S; 8th Position Wosoron C Tiny Tots; 9th Position Sindia A Nirmalabas H/S; 10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S; 10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S; 11th Position Selina K Nirmalabas H/S; 12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S; 12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L; 15 Position Tanya G; 16 Position Ningthem H; 20 Position Eunice Y; 21st Position Th. Krishnakant; 22nd Position Sylvest K; 23rd Position Reeturani L; 24th Position Themson Saka; 25th Position Taibanganbi Kh
Time 4:30 pm to 7:30 pm
TOPPERS of 2015: 2nd Position Gopal Krishna; 3rd Position Ng. Victoria; 4th Position S.Shivaranjani; 7th Position RK. Babysana; 9th Position Kah. Monica; 11th Position Thangminlal H.; 20th Position Bilson Oinam; 21st Position Gita E.; 21st Position S. Saya Devi; 22nd Position N. Nonibala; 23rd Position Jasmine H.
TOPPERS of 2014: 3rd Position Luhiya Ng.; 8th Position Neera S.; 9th Position Khoneesh N.; 9th Position Harison Y.; 12th Position KAILASH KUMAR N.; 13th Position L. DENILSON; 16th Position KH. PRAVIN; 18th Position BONNIE W.; 20th Position KELVIN M.; 21st Position MALEMNGANBA; 23rd Position INDERKUMAR
TOPPERS of 2013: 1st Position Miranda M.; 3rd Position Ratimanjuri; 5th Position Miranda O; 6th Position Sydeny Th.; 14th Position VIVEK A.; 15th Position REMA N.; 16th Position SADA SALAM; 16th Position CHITRA KH.; 22nd Position BIDYALUXMI; 24th Position JAYALUXMI; 24th Position PRESCILA RK.
SUBJECT TOPPERS 2016
Mathematics: 1) Chetanna 2) Vasundhara 3) Sindia 4) Sohana 4) Wosoron 5) Yaisana
Hr. Mathematics: 1) Ningthem 2) Sohana 3) Wosoron 4) Yaisana
Computer Sc.: 1) Chetanna 2) Jyotsana
Manipuri: 1) Sohana
El. Manipuri: 1) Wosoron
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
8732022342
HL-B/3106/31 May, 1 to 24 June

## আধারগা মরী লৈনহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ২১ (এজেন্সী) : সেন্টরনা লৌখৎপা তোপ তোপ্পা থৌরাং অমগী মখাদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা পীগদবা কাষ্ট অমদি দোমিসাইল সার্টিফিকেটশিং আধারগা মরী লৈনহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা খঙহনখ্রে।

মহৈরোয়শিংনা ক্লাস ফাইব নৎত্রগা আইট তম্লিঙৈদা সার্টিফিকেটশিং অদু নুমিৎ ৬০নিগী মনুংদা পীনবা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

সেদ্যুল কাষ্ট অমদি সেদ্যুল ট্রাইবকী মহৈরোয়শিংদা স্কোলরশিপ পীবদা থেংথরে হায়না কমপ্লেন্ট কয়া তৌরকখিবা মরম্না অনৌবা থৌরাং অসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরি।

এস সী অমদি এস টিগী মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কোকহন্নবগীদমক কাষ্ট নৎত্রগা দোমিসাইল সার্টিফিকেট পীবদা আধার নম্বর য়াওহন্নবা মরী লৈনবা পূম্নমক্তা খঙহনখ্রে হায়রি।

টৈংঙাঁঔ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)
উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং
(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোল্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।
HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.
HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-
DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
HL-B/3123/3/06-2/07